হুইয়েন লানপাউ স্পোর্ট

Saturday, April 10, 2021, Imphal

Page 11




পোলিশ সুপরলিগা টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপতা ৮লকশুবা লীগ মেটচ মায় পাক্তুনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং অকনবা মওংদা প্রেক্টিস চথরিবা মশাগী চহী ২৮দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাথিয়ান গনসেখরন

২০১৮গী জকর্টা এসিয়ন গেমসতা নুপীগী মিটর ১০০ অমসুং ২০০দা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী ৱর্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমসতা গোল্ড ফংখ্রবীবু ইকাই খুম্নবা ওইনা ছটিশগর ষ্টেট লৈঙাক্কী ভীরনি এৱার্দ ফংগদৌরিবী দুটি চান্দ



# টেকিও ওলিম্পিক্সতা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সেল্লর ৪ কম্পিটিসন য়াওরগনি



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক পুৱারীদা লৈবাক অসিগী সেল্লর ৪না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী সেলিংগী ইভেন্ট অহুমদা শরুক য়াবা ঙম্নবগী ক্বালিফাই ওইখ্রে।

মমাংদা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক্স ৪ শরুক য়ারকপদা শুপ্নগী ইভেন্ট অমখক্তদা সেল্লর ২না শরুক য়াদুনা লাকখিবনি। নীংশিংবা য়াই, এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইখিবা মুসানা ওপন চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপী সেল্লর নেত্রা কুমাননা ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইবা ঙন্বী অহানবা নুপী সেল্লর ওইখিবনি। মহাক্কী মতুংদা নুপা সেল্লর ৩, বিষ্ণু সরাভানন লোয়ননা গনপটি চেংগপ্পা অমসুং ভরুন থাকরগী প্যেরসু ওমানদা পাঙথোকপা এসিয়ন ক্বালিফায়িংদা ফজবা ঙম্বদগী টোকিওগীদমক্তা লম্বা পীবা য়াওগদৌরিবনি।

য়োটিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জোইন্ট সেক্রেটরি জেনরেল জিতেন্দ্র দিক্সিটনা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শান্নবদা ইন্দিয়াগী সেল্লর ৪না ইভেন্ট ৩দা টোকিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ারগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

শগোলশেন নুমীৎতা লেজর ষ্টেন্দর্দ ক্লাসতা বিষ্ণু সরাভানননা ওভর ওল ষ্টেন্দিংদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখিবনি। লোয়ননা ফোর্টিনাইনর ক্লাসতা ইন্দিয়াগী প্যের গনপটি চেংগপ্পা অমসুং ভরুন থাকরনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখিবদগী ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, চেংগপ্পা অমসুং থাকরগী প্যেরনা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ২০১৮গী এসিয়ন গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি।

সেল্লর মরিনা ক্বালিফাই ওইরকপদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়াগী এথলিটশিং অসিনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু চাওনা হেন্দুনা মায় পাকপা ঙমখি হায়খি।

# ইটালিগী রোমা, ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং স্পেনগী ভিলারিয়াল মায়পাকখ্রে, স্লাভিয়া অমদি অর্সনেল দ্রো চৎখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হেক মথংদা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা ইটালিগী রোমা, ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং স্পেনগী ভিলারিয়াল মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং মায়পাকখ্রে। অদুগা ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব অর্সনেল অমসুং চেক রিপব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগ দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং গ্রানাদানা য়ুম্ফু ওইদুনা লৈবাক অদুদা লৈবা ন্যুভো লোস কার্মিন্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখাই অমরোমগী মতম নাকল অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। অদুবু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ভিক্টর নিলসন লিন্দেলোপনা পীরকপা বোল অমদা মার্কস রাসফোর্দনা ৩১শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী মখাতারকপা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনবা ফাওবা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী গ্রানাদাগী টিম ০-১দা শোখরগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। অদুবু ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ব্রুনো ফর্নান্দেজনা মেটচ অদুগী মায়পাকপগী পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা নেদরলেন্দকী কোনুং অমষ্টর্দমদা য়ুম্ফু ওইদুনা মফম অদুগী ক্লব এয়াক্স অমসুং ইটালিগী রোমা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী ৩৯শুবা মিনটতা অয়াক্সকী মায়কৈদগী দুসান টাদিক্কী বোল অমদা দেভি ক্লাসেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা রোমাগী লোরেঞ্জো পেলিগ্রিনিনা ৫৭ অমসুং ৮৭শুবা মিনটতা রোজর ইবানেজনা পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা ২-১দা থোইবা ঙমখি।

স্পেনগী ক্লব ভিলারিয়ালনা ক্রোএসিয়াগী দাইনামো জাগ্রেবপু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নরকপদগী মিনট ৪০ হেল্লবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। অদুবু মেটচকী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা ভিলারিয়ালগী জেরাদ মোরিনোনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাংজিল থাবা ঙমখি।

অদুগা ইংলেন্দগী অর্সনেল অমসুং চেক রিপব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগকা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্ফু ওইখিবা অর্সনেলগী মায়কৈদগী মেটচ লোইগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা নিকোলাস পেপেনা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা অদু ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা স্লাভিয়া প্রাগকী টোমাস হোল্সনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। টিমশিং অসিনা ২শুবা লেগ অদু এপ্রিল ১৫দা শান্নগনি।

# বিলি জিন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী টিম লাটভিয়াগা লম্বা তৌননবা ন্যু দেল্লী থাদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী): লাটভিয়াগী কোনুং রিগাদা এপ্রিল ১৬ অমসুং ১৭তা য়ুম্ফু লৈবাক অদুগা বিলি জিন কিং কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট শান্ননবগীদমক ইন্দিয়াগী মীওই ৪না শাবা নুপীগী টেন্নিস টিম ঙসি ন্যু দেল্লী থাদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরিবা ভিশাল উপলনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিসতা হৌজিক লাক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না মতাং চাবা খোঙথাংনি। ঙসি ন্যু দেল্লী থাদোকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি রুতুজা ভোস্লে, জিল দেসাই, কমরান কোর থন্দি অমসুং রিজর্ভতা রিয়া ভাটিয়ানি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী সানিয়া মির্জা অমসুং নম্বর ৱান সিঙ্গলসকী শান্নরোয় অনকিতা রাইনা দুবাইদগী মফম অদুদা য়ৌশিল্লক্লগনি। মখোয় অনীমক দুবাইদা হৌখিবা চয়োলদগী হৌরগা ট্রেনিং চথুদুনা লাকখিবনি।

মমাংদা নুপীগী টেন্নিসকী টিম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফেদরেসন কপ হায়না খঙনরম্বা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লেওফ অসি বিলি জিন কিং কপ হায়না খঙনরকখিবনি।

লাটভিয়াগী মায়কৈদা মকোক থোংবা শান্নরোয় কয়া য়াওরি। মমাংদা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী হৌজিক-হৌজিকনা ৱর্ল্ড নম্বর ৫৪দা লৈরিবী জেরিনা ওস্টাপেনকো য়াওরি। লোয়ননা কুমজা ২০১৮দা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লামগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবী অনাষ্টেসিয়া সেভাষ্টোভাসু টিম অদুদা শরুক য়ারি। মহাক্কী করিয়রদা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ১১ ফাওবা য়ৌবা ঙম্লমখি।

লাটভিয়াগী টিম অদুনা কুমজা ২০২০ ক্বালিফায়রদা য়ু এস এগী টিমবু অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ২-৩দা মায়থীহৌবনি। মরক অসিদা, ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লেওফতা শান্নগদৌরিবা অসি এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান টাইদা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা পাঙথোকখিবদা অনীশুবা পোজিসন তারকখিবা অদুননি।

# ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট চয়োল অমা য়ৈথোক্লে হায়না ওর্গনাইজরশিং অমদি টেন্নিস ফেদরেসনশিংনা ফোঙদোরকখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী): মালেমগী টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ক্লে কোর্টকী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট চয়োল অমা য়ৈথোক্লে হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী টেন্নিস ফেদরেসনশিংনা কনফর্ম তৌখ্রে।

চয়োল অমা য়ৈথোক্লবা মতুং টুর্নামেন্ট অসিগী ম্যেন দ্রো অদু মে ৩০দগীনা জুন ৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না ফ্রেঞ্চ টেন্নিস ফেদরেসননা লাউথোকখ্রে।

থেংথবা অসিনা কোভিদ-১৯গী অথিংবা অসি ফীভম ফগৎলক্লবা মতুংদা হান্না লৈরিবা চাং অসিদগী কোমথোক্লক্লবদি ভাবোক মশীং হেন্না মীৎয়েং তাহনবা ঙম্বগী তাঞ্জা অমা ফংগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দ অদুনা মে ২৪দগীনা ২৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চহী ১দা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ৪ পাঙথোকপনি। অহানবা অদু জন্যুৱারী থাদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন শান্নদুনা হৌখ্রবনি। অনীশুবদনা ফ্রেঞ্চ ওপন টুর্নামেন্ট অসি ওইগদৌরি। অহুমশুবদনা গ্রাস কোর্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ৱিম্বলদননা ওইরিবনি। অদুগা মরিশুবা অদুনা ন্যু য়োর্ক সিটিদা পাঙথোকপা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরি। ফ্রেঞ্চ ওপন অসি রোলান্দ গেরোস হায়নসু খঙনৈ।

ফ্রেঞ্চ টেন্নিস ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট গাইলস মোরেটোননা ফোঙদোকখিবদা, একর ৩০ পাক চাওবা ফ্রেঞ্চ ওপন পাঙথোকফম ওইরিবা নৌনা শেমদোক্লবা ষ্টেদিয়মশিং অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী মীৎয়েং তাবা লাক্কদৌরিবা ভাবোকশিং মশীং হেনগৎনবগী তাঞ্জা অমা চয়োল অমা য়ৈথোকপা অসিনা পীরে হায়না প্রসিদেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মমাংগী চহীদা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট অসি মে থাদা পাঙথোক্কদবা অদু কোভিদ-১৯ লায়চৎনা মরম ওইদুনা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ১১ ফাওবা শান্নখি।

# ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা খূদোংচাবা ফংলিবশিং অসি ঐখোয়না মরুওইনা শীজিন্নদুনা হান্না লৈরিবা পাঙ্গলদগী হেনগৎনবা হোৎনগদবনি : মনপ্রিট



বুইনোস আইরিস, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী): থা অসিগী ১০ অমসুং ১১দা অর্জেন্টিনাগা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা প্রো লীগকী মেটচ অনী শান্নগদৌরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসকীদমক শেম শাবদা হান্না লৈরিবা পাঙ্গলদগী হেনগৎপদা কান্নবা কয়া লৌহৌবা য়াই হায়না টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা মনপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মেটচ অনী অসিগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা অর্জেন্টিনাগা প্রেক্টিস মেটচ অনী শান্নখি। অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা মেটচতা পাঞ্জল ৪-৪ চন্নরগা দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়াগী টিম অসি মকোক থোংবা টিমশিংনা মমাংঙৈদা তরাইনা লৌরম্বা অদু হৌজিক্তি য়ারোইদৌরিবনি।

চীফ কোচ ওইরিবা গ্রাহম রিদনা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অর্জেন্টিনাগা লম্বা তৌনবদা উৎলিবা মশান্না অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই হায়খি। অদুবু হোৎনবদি লেপ্পা য়াদে। কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ, বারুন কুমার অমসুং রুপিন্দর পাল সিংহনা মতম শাংনা শান্নরুদ্রবা মতুং প্রেক্টিস মেটচ অনী শান্নবদা উৎখিবা মশান্নশিং অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুরদগী হৌখিবা নিলাকান্ত শর্ম্মা, মন্দিপ সিংহ অমদি দিলপ্রিট সিংহসু মখোয়গী মিদফিল্ডদা লৈবগী চপ চাবা মশান্না অদু উখোকপা ঙমখি। ইন্দিয়ানা মেটচ অনীমক্তা খোঙজেল য়াঙনা অর্জেন্টিনাগী মায়োক্তা পাঞ্জল ঙন্না চনবা ঙমখি। অদুবু অর্জেন্টিনানা লোইশিল্লকপদা মখোয়গী মশান্না অদু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নরকখি।

কোচ রিদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অসি হৌজিক লৈরিবা মপাঙ্গলদগী হেন্না লৈহনবা মথৌ তারি। হোক্কী মশান্না অসিদদি সেকেন্দ খরদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা লৈ। মরম অদুনা পাঞ্জল মাঙজিল থারুরবা মতুং মায়োক্লবা টিমনা কাউন্টর এটেক চথরকপদা দিফেন্স লাইনদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা মীৎকুপ-নাহুমশিংনা মায়োক্লবা টিমগী বোল অদুবু থিংবা মথৌ তারি।


# রাখি হল্ডর দোপ টেষ্ট ফেল ওইরে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯ কমনৱেল্থ চেম্পিয়নশিপতা কিলোগ্রাম ৬৪গী কেটগোরিদা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী রাখি হল্ডর দোপ টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইরে।

রাখি হল্ডর হৌখিবা নবেম্বর থাদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা থিংখ্রবা পোৎয়ান টেষ্ট তৌবদা থেংনখিবনি। লোয়ননা মহাক পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা নেসনল কেম্প য়াওরম্বা অদু সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অমা ওইরিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতসু শরুক য়াবা য়াররোই।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 75



**GM McShane, Luke J (2640) - GM Anand, Viswanathan (2782)**
**World Rapid 2017 Riyadh KSA, 2017.12.27**

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.g3 Nc6 4.Bg2 Nf6 5.Qe2 d5 6.exd5 Nxd5 7.O-O Be7 8.Rd1 Qb6 9.Na3 O-O 10.Nc4 Qa6 11.d3 Rd8 12.Nce5 Nxe5 13.Nxe5 f6 14.Nc4 b5 15.Ne3 Bb7 16.Re1 Nc7 17.Bd2 Bxg2 18.Nxg2 e5 19.f4 Bd6 20.fxe5 Bxe5 21.Bf4 Bd4+ 22.Kh1 Nd5 23.c3 Nxc3 24.bxc3 Bxc3 25.Qg4 Bxa1 26.Rxa1 Rxd3 27.Re1 Qc8 28.Qh5 Qd7 29.Qxc5 Rd1 30.h4 Rxe1+ 31.Nxe1 Rc8 32.Qf2 b4 33.Kh2 a5 34.Ng2 a4 35.Qb6 Rc2 36.Qxb4 Qd5 37.Qb8+ Kf7 38.Qa7+ Kg6 39.Qg1 h5 40.a3 Qf3 41.Bd6 Kh7 42.Bb4 Rf2 43.Bc5 Rc2 44.Bb4 Rf2 45.Bc5 Rf1 46.Qd4 Rd1 47.Qf4 Qd5 48.Bb4 Rb1 49.Qf2 Qe4 50.Qf4 Qe6 51.Qf3...

**QUESTION :**

**Black wins in 2 moves**

**Puzzle 74 Ans. :**

**44.**...Kh4 **45.**Rd3 Qe5+ **46.**g3+ Kh5 **47.**Bd1+ Qe2+ **48.**Bxe2#
**45.**Rd3 Qe5+ **46.**g3+ Kh5 **47.**Bd1+ Qe2+ **48.**Bxe2#


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES**

------

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / N O T I C E
Imphal, the 9th April, 2021

No. HL-171/H&T/2021: In pursuance of Government letter No. SNC-206/4/2020-TCI-T,C&I dated 18-03-2021, Online Applications are invited from the most deserving and interested handloom weavers for providing one complete set of Fly Shuttle Loom @Rs.16,000/- under the Loom Upgradation Scheme for the year, 2021-22. Applications submitted in 2019 have been cancelled and interested weavers shall have to apply afresh.

2.0: **Eligibility Criteria:** A weaver having Weaver Photo ID Card and possessed a loin loom or old & worn-out loom or Degree/Diploma/Certificate Course in Handlooms/Textiles passed.

3.0: **Application Fee:** Application Fee is Rs.100/-

4.0: **Last date of Online Application**: 30-04-2021 (Friday).

5.0: **For details and Online Application:** www.dhtmanipur.mn.gov.in and www.dhtmanipur.com

**Sd/-** Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-B/6922/10



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

------

ꯆꯦꯡꯁꯤꯟ / N O T I C E
Imphal, the 8th April, 2021

No. Estt-21/H&T/2018: In continuation of this office notification of even number dated 27-03-2021 for recruitment of different posts on Direct Recruitment Basis in the Directorate of Handlooms & Textiles, Government of Manipur and in pursuance of DP's Notification No.3/45/2012-DR/DP dated 04-03-2014, the upper age limit of the candidates shall be 38 for Unreserved category, 41 years for OBC category and 43 years for ST/SC category for appointment of the following posts on temporary basis through sponsorship of the Employment Exchange concerned:

| Sr. | Name of the post | Upper age limit as per RRs for UR/OBC/ST/SC | Upper age limit as per DP's Notification | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | OBC | ST | SC |
| (1) | (2) | (4) | (5) | (6) | (7) | (8) |
| 1 | Instructor(Brass& Bell Metal) | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 2 | Supervisor(Carpet) | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 3 | Skilled Artisan/Dem (Doll & Toys) | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 4 | Skilled Artisan/Dem (Pina) | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 5 | Skilled Artisan/Dem (Wood Carving) | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 6 | Skilled Artisan/Dem(Bamboo &Cane) | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 7 | Grade-IV/Peon/Chowkidar/MTS | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 8 | Stenographer/ Personal Assistant/Steno-Typists Grade-III | 30/00/35/35 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 9 | LDC | 38/00/43/43 | 38 | 41 | 43 | 43 |
| 10 | Driver(Light) | 38/41/43/43 | 38 | 41 | 43 | 43 |

2.0: Application Form and other details will be available from website www.dhtmanipur.mn.gov.in and www.dhtmanipur.com

**Sd/- K. Lamlee Kamei**
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-B/6920/10